# সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ লাউথোকপদা সোনিয়া অমসুং লোকেশ্বর য়াওরে

*লমায় ১ গী মখা*

অসিগী সাহিত্য একাদেমি যুব পুরস্কার পুরুস্কার অদুগা নাওরেম লোকেশ্বরনা 'ত্রেমথিন অমসুং খুজি' হায়না মিংথোনবা মহাক্না ইবা অঙাংশিংগী বরীমচা শীংবুল লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি বাল সাহিত্য পুরস্কার ফংলক্কখিবনি।

সাহিত্য একাদেমি, নিউ দীল্লিগী প্রসিদেন্ত দাঃ চন্দ্রশেখর কম্বারনা চেয়ার লৌদুনা একাদেমি অসিগী একজিক্যুতিব বোর্দকী মীফম অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোক্নুনা হায়রিবা মনা অনী অসি ফংলবা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা লোলগী অইবা /অইবীশিংগী মমিং লাউথোরকপদা মখোয় অনী অসি য়াওরকখিবনি।

একাদেমি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, লৈরিবা রুলস অমসুং প্রোসিদ্যুর মখাদা মাগী-মাগী লোলগী মেম্বর ৩/৩ য়াওবা জুরিনা রিকমেন্দ তৌরকখিবা লৈবাক অসিদা ঙাঙনরিবা তোঙান-তোঙানবা লোলদা ফোঙবা লাইরিকশিংদা মনা অনী অসি পীবনি। প্রোসিদ্যুর মতুং ইন্না জুরিশিংনা মপূং ওইনা শৌগৎতুনা মেজোরিতি ভোত ফংলকখিবশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা একাদেমি অসিগী একজিক্যুতিব বোর্দনা মনা ফংলবা অইবা/ অইবীশিংগী মমিং অসি লাউথোকখিবনি।

চহী অসিগী বাল সাহিত্য পুরস্কার-২০২২ অসিদা পঞ্জাবী লোলগী ওইনদি এৱার্দ অসি লৈত্রে। সন্তালি লোলগী ওইনদি মতম খরগী মতুংদা লাউথোক্কনি। অদুগা সাহিত্য একাদেমি যুব পুরস্কার-২০২২গী ওইনা মরাথি লোলগী এৱার্দসু মতম খরা লৈরগা লাউথোক্কনি হায়রি।

মণিপুরী লোলগী ওইনা লেমজ নিংঙাই ওইরবা সাহিত্য একাদেমি যুব পুরস্কার-২০২২ ফংলবী অইবী সোনিয়া খুন্দ্রাকপম ইং ১৯৮৯গী এপ্রিল ১৪দা ইম্ফাল ইস্ত দিস্ত্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা পোকই। অইবী অসি মনোহর শাই অমসুং সঙ্কীর্তনগী গুরু খুন্দ্রাকপম কুল্লচন্দ্র অমসুং রাজকুমারী কিরন বালা অনীগী মচনুপীনি। অইবী অসি আই আই তি এম, দিল্লীদা বি সি এ লোইশিনখ্রে। দি কলচরেল ফোরম, মণিপুর অমসুং লিতরেরি সোসাইতিগী লাইফ মেম্বরসু ওইরিবী নহা ওইরিবী অইবী অসিগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং দি মহৌশাগুম(নোবেল) অমসুং লোয়ুম্বা(নোবেল) অনী অসিনি।

বাল সাহিত্য পুরস্কার-২০২২ ফংলক্কবা অইবা নাওরেম লোকেশ্বর ইং ১৯৫৮গী মার্চ ১দা ইম্ফালগী উরিপোক অহল্লেম লৈকায়দা পোকপনি। মহাক্কী অপোপগী মিংনা নাওরেম রাজমণি সিংহ অমসুং অপোকপীগী মিংনা নাওরেম ওংবী প্রমোদিনী(থম্বালশং) কৌই। অইবা অসিগী মহৈগী থাক্ন বি ই (সিবিল) নি। মহাক্কী ফোঙখ্রবা লাইরিক পল্লগনা বরীমচা লাইরিক 'নিংঙাইগী মমল'(২০০৯) অমসুং বরীমচা লাইরিক 'হিদেন মচা মচা'(২০১৫) অসি পনবা য়াই।



# সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ লাউথোকপদা সোনিয়া অমসুং লোকেশ্বর য়াওরে

***ইম্ফাল, অগস্ত ২৫ঃ** চহী অসিগী ওইনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংগদবশিংগী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরী লোলগী ওইনা লমদম অসিগী অইবী সোনিয়া খুন্দ্রাকপম অমসুং অইবা নাওরেম লোকেশ্বর অনী য়াওরক্লে।*

*সোনিয়া খুন্দ্রাকপমনা মহাক্কী নোবেল 'লোয়ুম্বা' হায়সিদা চহী*

**মখা লমায় ৯, কলম ৩ দা**